# গোধ্রা ত্রেন মৈথাবগী কেসতা মীওই ২ পুন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে, মীওই ৩ থাদোকখ্রে



**অহমেদবাদ, আগষ্ট ২৭ :** হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা সবরমতি এক্সপ্রেসকী দবা অনীদা করসেবক ৫৯ বু হিংনা মৈ থাদুনা হাংখিবা গোধ্রা ত্রেন মৈ থাবগী কেসতা স্পিসিয়েল সি আই টি কোর্ট অমনা ঙসি মদুদা চেন্নবা মীওই ২ পুন্সিচুপ্পগী জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে।

কেস অসিদা অতোপ্পা মীওই ৩ দি মরাল ফংদবদগী থাদোকখ্রে। স্পিসিয়েল জজ ঐচ সি বোরানা ফরূক ভানা অমসুং ইম্রান শেরুবু কনভিক্সন পীখি অমসুং মখোয়বু জেলদা পুন্সিচুপ্পা লৈনবগী চৈরাক পীখি। ২০০২ দা সবরমতি এক্সপ্রেসকী দবা অনী মৈ থাখিবা অদুদা মীওই অনী অসি লৌতুনবা য়াওখিবনি হায়বা প্রোজিক্যুসননা পুথোকপা ঙম্বদগী মখোয়বু কোর্ট অসিনা চৈরাক পীখিবনি।

স্পিসিয়েল সি আই টি কোর্ট অসিনা হুসেন সুলেমান মোহন, কাসম ভামেদি অমসুং ফরূক ধান্টিয়া কৌবা অতোপ্পা একুজ অহুমবু মরাল ফংদবদগী থাদোকখি।

মীওই ৫ অসি ২০১৫–২০১৬ দা ফাখিবনি অমসুং সবরমতি সেন্ত্রেল জেলদা লীংখৎখিবা স্পিসিয়েল কোর্ট অমদা ৱায়েল চথখি।

হুসেল সুলেমান মোহনবু মধ্য প্রদেশকী ঝাবুৱাদগী ফাখি, গুজরাটকী দাহোদ রেলৱে ষ্টেসনদগী ভমেদি ফাখি অদুগা ভান্টিয়া অমসুং ভানাবু গুজরাতকী গোধ্রাদা লৈবা মখোয়গী য়ূমশিংদগী ফাখি।

অতোপ্পা ভাতুক কৌবা মীওই অমসু মহারাষ্ট্রগী মালেগাওদগী ফাখি। কেস অসিদা চেন্নরিবা অতে মীওই ৮ হৌজিকসু ফাবা ঙমদনা মীচেন ওইনা লৈরি।


মসিগী মমাঙদা স্পিসিয়েল এস আই টি কোর্ট অসিনা মার্চ ২০১১ দা কেস অসিদা চেন্নবা মীওই ৩১ হান্নবা কনভিক্সন পীখ্রে। মদুগী মতূংদা কোর্টনা মখোয়গী মনুংদা মীওই ১১ বু কোর্ট অসিনা শিবগী চৈরাক পীখ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই ২০ অদুনা পুন্সিচুপ্পা জেলগী চৈরাক পীখ্রে। অদুম ওইনমক গুজরাত হায় কোর্টনা ওক্টোবর ২০১৭ দা মীওই ২০ দা স্পিসিয়েল এস আই টি কোর্টনা পীখিবা চৈরাক অদু য়াখি অদুগা কনভিক্ট ১১ দা পীখিবা শিবগী চৈরাক অদু পুন্সিচুপ্পগী জেলদা লৈবগী চৈরাক্তা ওন্থোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০০২ গী ফেব্রুৱারী ২৭ তা গোধ্রা ত্রেন মৈ থাবদা করসেবক ৫৯ শিখি। থৌদোক অদুনা গুজরাতকী ঈতিহাসতা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা কাঙলুপ মশেনগী হাৎন–শুনবা থোক্লক্তুনা অয়াম্বনা মাইনোরিটিগী কম্ম্যুনিটিগী ওইবা মীওই লীশিং অমরোম হেন্না শিখি।

# লাহোরদা ইন্দস ৱাতর ট্রিতিগী মতাংদা ইন্দিয়া, পাকিস্টান ৱারী শান্নবা অমুক হৌরগনি

**ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ২৭ :** পাকিস্টানগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা ওফিস পায়বা হৌখিবগী মতূংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা উন্নবা ওইনা লাক্লিবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মরু ওইরবা ইন্দস ৱাতর ট্রিতিগী মতাংদা লাহোরদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান্না মখোয়গী ৱারী শান্নবা অমুক হৌরগনি।

ইন্দিয়াগী ইন্দস ৱাতর কম্মিস্নার পি কে সক্সেনা ঙসি ইস্লামাবাদতা থুংলবা য়াই। মহাক্না য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মহাক্না ফম মান্নবা পাকিস্টানগী সায়েদ মেহর অলি শাহগা নুমিৎ নীনিগী ৱারী শান্নবা হৌগনি।



পাকিস্টান–ইন্দিয়া পারমেনেন্ট ইন্দস কম্মিসনগী ইকোন কোনবা মীফম অদু ন্যু দিল্লিদা মার্চ থাদা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ১৯৬০ ইন্দস ৱাতর ট্রিতিগী মখাদা শীজিন্নবা ঈশিংগী চাং অমসুং ঈশিং ঈচেলগী ৱাফমশিং নাকল অনীনা পূন্না খনমিন্নখি।

আগষ্ট ১৮ দা ইম্রান খাননা পাকিস্টানগী ২২ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখ্রবা তূংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী মরক্তা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিনা অহানবা ওফিসিয়েলগী ৱারী শান্নবা ওইরি।

খানদা ইবা চিঠি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা য়ূম্লোন্নবগী মরী শাগৎনবা ইন্দিয়াগী অচেৎপা ৱারেপ ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা পার্মিনেন্ট ইন্দস ৱাতর কম্মিসনগী মতূংদা পাঙথোক্কদবা মীফমশিংগী মতম লেপকনি অমসুং ইন্দস কম্মিস্নারশিংগী টিমশিংগী খোঙচৎশিংসু লেপকনি হায়না পাকিস্টান গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোক্লি।

মহাক্না হায়, লৈবাক অনীগী ৱাতর কম্মিস্নারশিংনা চহী ১ দা অনীরক উন্নবগী মথৌ তাই অমসুং প্রোজেক্ট সাইটশিংদা অমসুং মরু ওইবা মরী লৈনবা থবকশিংদা টেক্নিকেলগী খোঙচৎশিং থৌরাং তৌবগী মথৌ তাই। অদুবু মতম চানা উন্নবা অমসুং চৎপদা পাকিস্টান্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৩৩০ মেগৱাটকী কিশানগঙ্গা হায়দ্রো–ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট শঙ্গাখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা প্রোজেক্ট অদুগী মতাংদা পাকিস্টাননা য়ানিংদবা অমসুং নুংঙাইতবা লৈরিবদু কোকহন্নবা ৱাসিংতনদা নুমিৎ নীনি ৱারী শান্নখিবদা ৱার্ল্ড বেঙ্ককা য়ান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদে হায়না ইন্দস ৱাতর ট্রিতিদা সিগ্নেতরি অমা ওইরিবা ৱার্ল্ড বেঙ্কনা মে থাদা হায়খি।

প্রোজেক্ট অদুনা পাকিস্টানদা ঈশিংগী অৱাৎপা থোকহনগনি হায়না পাকিস্টাননা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি।

ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান নাকল অনীবু তায়নরগা পুরকখিবা ১৯৬০ ইন্দস ৱাতর ট্রিতি অদুদা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরু অমসুং পাকিস্টানগী প্রসিদেন্ট অয়ুব খাননা সহি তৌখি। ইন্দস তুরেল অমসুং মসিগী মশা তুরেলশিংগী ঈশিং করম্না লৈবাক অনীনা শীজিন্নগনি হায়বসি ট্রিতি অসিনা শীল্লি। তুরেলশিং অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান লৈবাক অনীমক্তা চেল্লি।

# ইরানগী মথক্তা থমজিল্লকপা য়ু এস সেঙ্কসনশিংগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা কেস য়ু এন কোর্টতা হৌখ্রে

**দ হেগ, আগষ্ট ২৭ :** য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মথক্তা নৌহৌনা থমজিল্লক্লিবা সেঙ্কসনশিংনা লৈবাক অসিগী ইকোনোমি মাঙ তাকহল্লি হায়বা ৱাফম পল্লদুনা য়ু এস সেঙ্কসনশিং অদু ককথৎনবা য়ু এন গী মকোক থোংবা কোর্টকী ওর্দর দিমান্দ তৌরদুনা ইরাননা ঙসি কেস অমা থাঙ্গৎখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকী সেঙ্কসনশিং থমজিন্নবগী ৱারেপ অদু লৈবাক অসিবু অৱাবা তাহন্নবগী পান্দমনি অমসুং ১৯৫৫ ট্রিতি অমা থুগাইগনি হায়না ইস্লামিক রিপব্লিক অসিনা হায়রি।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শানবা প্রোগ্রামদগী ইরাননা তোক্লবগীদমক মদুগী মহুৎ ওইনা ২০১৫ মল্টিলেতরেল এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা য়ু এস না হান্না থমজিল্লম্বা সেঙ্কসনশিং লৌথোকখ্রবনি। অদুবু চয়োল অহুমগী মমাঙদা ট্রম্পনা হায়রিবা সেঙ্কসনশিং অদু অমুক হন্না থমজিনখি। মদু ইরানবু কৈদৌঙেদা ন্যুক্লিয়ার বোম শাবা ঙমহন্দনবগী মথৌ তাই হায়না ট্রম্পনা হায়খি।

দ হেগতা ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসকী জজশিংনা ইস্লামিক রিপব্লিক অদুগী উকিলশিংবু মখোয়গী হৌদোকপগী আর্গুমেন্টশিং পীহন্দুনা হিয়ারিংশিং পাঙথোকপা হৌখ্রে।

জুলাই থাগী অথেংবদা তেহরান ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা কেস অমা থাঙ্গৎতুনা দিফিনিটিভ রুলিং অমা পীদ্রিঙৈ মতম ফাওবা সেঙ্কসনশিং অদু খুদক্তগী লৌথোক্লবা ওর্দর তাবিয়ু হায়না জজশিংদা আপিল তৌখি। সেঙ্কসনশিং অদুনা অমুক হন্না মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অরানবা ৱায়েল অমা পীবগা মান্নহল্লগনি হায়না ইরাননা হায়খি।

সেঙ্কসনশিং অদুনা ১৯৫৫ ট্রিতি ওফ এমিটি অমসুং ইরানগা য়ু এসকগী মরক্তা লৈনরিবা ইকোনোমি রিলেসন্স কায়হল্লগনি হায়না ৱায়েল পীরি।

য়ু এস না ইরানবু শেন্মিৎলোনগী ওইনা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থন্নবা হোৎনরি মসি লৈবাক অসিগী মীয়াম পূম্ববু য়ু এস না লাঙ্গোই চন্দুনা থম্বগা মান্নগনি হায়না ইরানগী উকিলশিং অদুনা কোর্টতা হায়খিবা চেরোল অদুদা ফোঙদোক্লি।

মতম খরগী ওইবা রাই অমা পীনবগীদমক তেহরাননা হায়জবা অদু য়াগদ্রা হায়বা ৱারেপ লৌবদা ইন্টর্নেস্নেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা থা কয়ামরুমগী মতম চঙলবা য়ারি। অদুগা কেস অসিগী অরোইবা ৱারেপ লৌবগীদি চহী কয়ামরুমগী মতম চঙলবা য়াই।

# স্পাইসজেটনা লৈবাকসিগী ইহান হানবা বাইওজেট ফ্যুয়েল শীজিন্নবা ফ্লাইট দেরাদুনদগী দিল্লি ফাওবা পাইখ্রে

**ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ২৭ :** ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা স্পাইসজেটনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা বাইওজেট ফ্যুয়েলনা পৱার পীবা ফ্লাইট অমা দেরাদুনদগী দিল্লি ফাওবা পাইখ্রে।




মিনিট ৪৩ গী ফ্লাইট অদু এয়রলাইন অসিগী বোম্বারদিয়র ক্যু৪০০ এয়ারক্রাফ্টনা পাইখিবনি। প্লেন অদুদা ক্রু য়াউনা পূন্না মীওই ২৫ তোংখি।

প্লেন অদুগী ইঞ্জিন অনীগী মনুংদগী ইঞ্জিন অমদা এভিয়েসন করবাইন ফ্যুয়েল (এ টি এফ) কী চাদা ৭৫ অমসুং বাইওজেট ফ্যুয়েলগী চাদা ২৫ হাপখি। অদুগা অতোপ্পা ইঞ্জিন অদুদা শুপ্নগী এ টি এফ খক্তমক হাপখি।

টেষ্ট ফ্লাইট অদুগীদমক পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিতিন গাদকারিনা পেত্রেলিয়ম মিনিষ্ট্রিনা বাইওজেট ফ্যুয়েলগী মতাংদা পোলিসি অমা থুনমক থৌরাং তৌরগদবনি অমসুং মদু কেবিনেটকী মমাঙদা থল্লগদবনি হায়খি।

জাট্রোফা ক্রোপতগী শুংবা ফ্যুয়েল অদু দেরাদুনদা লৈবা কাউন্সিল ফোর সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিয়েল রিছার্স অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পেত্রোলিয়মগা খূৎশন্নরগা পুথোকপনি।

এয়ারলাইন একজিক্যুটিভ অমগী মতূং ইন্না চাওরাক্না মিনিট ২৫ রোম চঙই হায়বা টেষ্ট ফ্লাইট অদুদা দাইরেক্তোরেট জেনরেল ওফ সিভিল এভিয়েসন অমসুং স্পাইসজেটকী ওফিসিয়েল য়াওনা মীওই ২০ লোম তোংখি।

স্পাইসজেট চিয়ার্মেন অমসুং মেনেজিং দাইরেক্তর অজয় সিংহনা বাইওজেট ফ্যুয়েল শীজিন্নবা অসি অচঙমন হন্থে অমসুং কার্বোন ইমিসনশিং শাথিনা হন্থহল্লি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

মসি শীজিন্নবনা ফ্লাইট খুদিংমক্তা মহৌশানা শীজিন্নরিবা এভিয়েসন ফ্যুয়েলদা ঐখোয়না মখা পোল্লিবা অদু চাদা ৫০ ফাওবা হন্থহনবা ঙমগনি অমসুং ভারাসু নেমথহল্লকপা ঙমগনি হায়খি।

বাইওজেট ফ্যুয়েল অসি অমেরিকান ষ্টেন্দর্দ টেষ্টিং মেথোদ (এ এস টি এম) না রিকোগনাইজ তৌখ্রে অমসুং এয়াক্রাফ্টতা কর্মসিয়েল ওইনা শীজিন্ননবগীদমক প্রাট্ট এন্দ হ্বাইত্নি অমসুং বোম্বরদিয়রগী স্পেসিফিকেসন ষ্টেন্দর্দস য়ৌরে।

ক্যু৪০০ এয়ারক্রাফ্ট অসি সিট ৭৮ গী প্লেননি। ইন্টর্নেস্নেল এয়ার ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন (আই এ টি এ) গী মতূং ইন্না অপূনবা গ্লোবেল গ্রীন হাউস গ্যাস ইমিসনগী চাদা ২ এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনা থোকহল্লি হায়রি।

২০২৫ ফাওবগী মনুংদা ক্লিন ইনর্জি অমসুং ফোসিল ফ্যুয়েলশিংগী মিক্স অমা শীংনবা প্লেনদা পেসেঞ্জর বিল্লিয়ন ১ তোংনবগী তার্গেট অমা আই এ টি এ না থমখ্রে।

স্পাইসজেট হায়রিবা এয়ারলাইন অসিগী বোইং ৭৩৭এনজি ৩৬ অমসুং বোম্বরদিয়র ক্যু৪০০ প্লেন ২২ লৈ। চাংচত্তা এয়ারলাইন অসিনা নুমিৎ খুদিংগী ফ্লাইট ৪১২ পাই।

# তুজুংনিংঙাইনি! জাপান বুল্লেট ত্রেন ষ্টাফপু ত্রেননা খোঙজেন য়াংনা চেল্লক্লিবা ত্রেকশিংগী নাকন্দা ফমহল্লি

**তোকিও, আগষ্ট ২৭ :** জাপানগী মমিং চৎলবা বুল্লেট ত্রেনশিংনা পূংদা কিলোমিটর ৩০০ গী অয়াংবা খোঙজেনদা চেল্লক্লিবা টনেল মনুংগী ত্রেকশিংগী নাকলদা তুজুংনিংঙাই ওইরবা মওংদা ফমহল্লি।



অদুবু চথরিবা খোঙথাং অদু সেফটি এক্সর্সাইজ অমনি হায়না জাপানিজ রেল কম্পেনি অমনা ঙাকথোক্লি। ইমপ্লোইয়ী খরদগী থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ৱাকৎ কয়া লাক্লবসু এক্সর্সাইজ অদু হোংদোক্লবগী থৌরাং লৈতে হায়না জে আর ৱেষ্টনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পি দা ফোঙদোকখি।

জপানগী মমিং চৎলবা শিনকান্সেন বুল্লেট ত্রেনগী সেফটি মেন্টেনেন্সকী থবক তৌরিবা ষ্টাফ ১৯০ রোম ত্রেনিং অদু চথরি হায়না কম্পেনিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।

চথরিবা ত্রেনিং অদু ঐখোয়গী মেন্টেনেন্স ষ্টাফপু মখোয়না পায়রিবা থবকশিং অদুগী শরুক খুদিংমক্কী মরু ওইবা অদু তম্বীনবগী পান্দমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঐখোয়না ত্রেনিং অদু চথরিঙৈগী মতম মনুংদা সেফটিদা হকচিন্না পূক্নীং চঙগনি। ষ্টাফ মেম্বর খরদগী লাক্লিবা ৱাকৎশিং অদুসু ঐখোয়না য়াই। ত্রেনিং অসিগী পান্দম অদু শোয়দনা ফংনবা ঐখোয়না মসি মখা চথখিগনি হায়খি। বুল্লেট ত্রেনগী মপান থংবা শরুক খরা তাখিবা আগষ্ট ২০১৫ এক্সিদেন্টগী মতূংদা ২০১৬ দা জে আর ৱেষ্টনা ত্রেনিং অসি পাঙথোকপা হৌখিবনি।

# লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ফরবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা চহী ১২৫ শুরবা হোস্পিটাল কেরলা ঈচাওদা মাঙ–তাকখ্রে




**থ্রিসুর, আগষ্ট ২৭ :** মীওই ৩০০ হেনবগী পুন্সি মাঙহনখ্রবা অমসুং মী লাক্ষ কয়া ময়ূম কৈ লৈহনখিদ্রবা হন্দক্কী কেরলাগী শাথিরবা ঈশিং ঈচাও অদুনা ষ্টেট অসিগী থ্রিসুর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা চহী ১২৫ শুরবা চালাকুদি তালুক হোস্পিটাল অদুসু মাঙ–তাকহনখ্রে।

লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটালশিংগী মনুংদা অমনি হায়না উন্নরিবা ফমুং ১৪০ গী হোস্পিটাল অদু য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ১০ হেনবগী শেনফম মাঙখ্রে। লমদম অসিদা লৈবা মীওই লাক্ষ ৩.৫ রোমনা হোস্পিটাল অসিদা তাংজদুনা লৈরিবনি।

আগষ্ট ১৫ দা ফুট ১২ ৱাংবা ঈশিং ঈমায়না হোস্পিটাল অদুদা চঙশিল্লকপদগী আই সি য়ু দা অমসুং পোষ্ট–ওপরেটিভ কেয়ারদা লৈরিবশিং য়াওনা অনাবশিংবু হিশিং শীজিন্নদুনা রেস্ক্যু তৌখি অদুগা তঙাই ফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা অনকপদা লৈবা ফেসিলিটিশিংদা মখোয়বু পুথোকখি।

মহাক মশাগী কা অদু মশামক্না শেংদোক্লিবা হোস্পিটাল অসিগী দাইরেক্তর ডা. শিব প্রসাদনা দায়েলাইসিস মথৌ তাবা অনাবশিং অদুগী খনবদা ৱাখি। মহাক্না হায়, মফম অসিদা লায়েংদুনা লৈরকখিবা দাইলেসিস পেসেন্ট ৩৫ অদু খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম মায়োক্নরিবনি।

ঈশিং ঈচাও অদুনা লুপা ক্রোর ১.৫ কী ওইগদবা মেছিনশিং অমসুং দায়েলাইসিস, অল্ট্রাসাউন্দ মেছিনশিং য়াওনা লুপা ক্রোর ২.৫ কী ইক্যুপমেন্ট মাঙ–তাকহনখ্রে। হৌজিক তেক্ত–কায়দনা মফম অসিদগী পুথোকখিনবগীদমক কাচিন অমদা হিদাক্কী য়াল্লবা মপৈ অমা ঙাইদুনা লৈরি। ওদমিসন, সার্ভিসেস অমসুং দোক্তরশিং অমসুং ষ্টাফকী রেকোর্দ পুম্বা মাঙ–তাকখ্রে।

হৌজিক হোস্পিটাল অদুগী ওইরিবা শক্তম অদু য়েংবদা থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। নীংথিজনা শেংদোক–চামথোক্লবগীদমক ইক্যুপমেন্ট, ফর্নিচর অমসুং ফিক্সচর পূন্নমক লৌথোক্লকখ্রে।

পোৎশিং অদু অমমমতা ওইনা শেংনা চামথোক্লবগীদমক হোস্পিটাল টিমগা লোয়ননা এক্সসাইজ দিপার্টমেন্টতগী ভলন্টিয়ার ১০০ হেনবনা থবক তৌরি।

বৃটিশ মতমদগী থবক তৌবা হৌরকখিবা হোস্পিটাল অসি হন্দক্তা নেস্নেল ক্বালিটি এসুরেন্স (এন ক্যু এ) সার্টিফিকেসনগীদমক চে থাগৎখ্রে অমসুং লৈবাক অসিদা নম্বর ১ রেঙ্ক ফংলক্কনি হায়বগী আশা তৌরি।

হৌজিক হোস্পিটাল অসি ওফিসিয়েল ওইনা থিংজিল্লে। অদুবু ষ্টাফনা আউট পেসেন্টশিংবু তাম্থোক্তে। মসি অফবা হোস্পিটাল অমনি। থুনমক অমুক হন্না থবক তৌহনবা ঐখোয়না মথৌ তাই হায়না অনাবা অমনা হায়খি।

অতোপ্পা অনাবা মীওই অমনসু কিলোমিটর ১৫ গী অকোয়বদা লৈবা মীয়ামগীদমক মসি খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটালনি। মসি থিংজিনখিবা তারবদি ঐখোয়না কিলোমিটর ৩০ থাপ্লা চৎপা তাই হায়খি।

কেরলাগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টর সুনিল কুমারনা হোস্পিটাল অসি থা খরগী মনুংদা শোয়দনমক অমুক হন্না চল্লাইনবা হোৎনগনি হায়না ৱাশকখি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী ফবা হোস্পিটালশিংগী মনুংদা মসিসু অমনি হায়না মহাক্ন মখা তাখি।

হন্দক কেরলাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদু ১৯২৪ গী মতূংদগী ষ্টেট অসিদা থোকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা ঈচাওশিংগী মনুংদগী অমনি। ঈচাও অসিনা মীওই লাক্ষ ১০ হেনববু রিলিফ কেম্পশিংদা নমদুনা চঙজফম লৌহনখি।

# নাগালেন্দগী মীওইশিংনা চাংচৎতা থা অমদা গারী ২৫৪২ লৈ

**কোহিমা, আগষ্ট ২৭ :** রোদ ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটিজ, সিটিজনশিং অমসুং রিগুলেটরশিংদগী ফংবা ঈ–পাউ পূন্নমক পুনশিন্নবগী পান্দমদা চথবা নেস্নেল ভেহিকল রেজিষ্ট্রি–‘বাহান’ দা উৎপগী মতূং ইন্না নাগালেন্দগী মীয়ান্না ভেহিকল রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী চাংচৎ অসি য়েংবদা থা অমদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না গারী ২৫৪২ হেন্না লৈ হায়বা উৎলি।

মরী লৈনবা লীখুনশিংগী মতূং ইন্না হন্দক্তা হৌদোকখিবা নাগালেন্দ চীফ মিনিষ্টর’স দাশবোর্দ (সি এম দাশবোর্দ) তা ফোঙখিবা রেজিষ্ট্রিদগী ফংবা দাটা অদুনা চহীসিগী এপ্রিলদগী জুলাই ফাওবগী মনুংদা নাগালেন্দদা পূন্না গারী ৭,৬২৭ রেজিষ্টার তৌখি হায়বা তাকই।

গারী রেজিষ্টার তৌবগী চাং অসি গারী ৩,০৯৪ রেজিষ্টার তৌবগা লোয়ননা এপ্রিল থানা খ্বাইদগী ৱাংই। অদুগা জুন অমসুং জুলাই থাদা মথংশিৎনা গারী ২,২৭৯ অমসুং ২,২৫৪ রেজিষ্টার তৌখি। হৌখিবা থা ৩ অসিগী মনুংদা গারী রেজিষ্ট্রেসন তৌবদগী ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা পূন্না লুপা ক্রোর ৬.০৩ খোমজিনখি।

অদুম ওইনমক বাহান রেজিষ্ট্রিগা মরী লৈননা নাগালেন্দ ষ্টেটতা লিঙ্ক তৌবা ষ্টেট–বেজ ৱেবসাইট অদু খ্বাইদগী নৌবা পাউ লৌনবা হোৎনবদা আগষ্ট ২১ দা ফংবা ঙমখিদে।

ড্রাইভিং লাইসেন্সশিংগীদমক নেস্নেল রেজিষ্ট্রি ওইরিবা সারাথিগী মতাংদা দাশবোর্দ অদুনা জুলাই ২০১৮ ফাওবদা পূন্না ড্রাইভিং লাইসেন্স ১,৪০,৭৩৮ পীখি হায়বা উৎলি। মসি জুন থাদগী মশীং ৪৫,২৩৯ হেনগৎলবনি।

ট্রান্সপোর্ট সেক্টরগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা ওপরেট তৌনবা পোৎ–চৈ পুবা গারীশিংদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমনা জুলাই ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা পূন্না নেস্নেল পার্মিট ২,৯১,১৩৭ পীখি। অদুদগী লুপা ক্রোর ৪৭৫.৭৩ খোমগৎখি হায়না লীখুনশিং অসিনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 02/06/18
Valid : 03/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**TDK Gas**
Booking : 27/06/18
Valid : 21/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 25/07/18
Sl. No. upto 700
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 17/07/18
Valid : 11/07/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১২৭৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 1 | 3 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 1 | 9 | 8 | 2 | 4 | 5 | 7 | 6 | 3 |
| 7 | 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 5 | 2 |
| 3 | 7 | 1 | 9 | 8 | 2 | 5 | 4 | 6 |
| 8 | 2 | 4 | 3 | 5 | 6 | 9 | 1 | 7 |
| 9 | 6 | 5 | 4 | 7 | 1 | 3 | 2 | 8 |
| 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 4 | 8 | 7 | 5 | 6 | 9 | 2 | 3 | 1 |
| 5 | 1 | 6 | 7 | 2 | 3 | 4 | 8 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1274**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | 9 | | | 8 | | | |
| | | | | 1 | 3 | 8 | | |
| | | | | | 4 | | | 2 |
| 2 | 7 | | | | | | | |
| | 4 | 8 | | | | 7 | | 6 |
| | | | | 7 | | 9 | 1 | |
| 4 | | 7 | | 9 | | | 8 | |
| | 9 | | 8 | | | | | |
| | 3 | | 1 | | | | | 4 |